# ‘মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলকপগী চহী ৫১ শুজিল্লকপসিদা’

- উশম ধরমেন্দ্র -

নীংখা তম্না চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী লৈজরক্লবা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা নীংতম্না পাঞ্জরম্বা লিরবা নিংথৌ পানবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না চাউথোকচরিবা মণিপুর সনা লৈবাক পীক্লবা চীংলৈবাক মণিপুরনা মশাগী নীংতম্বা ঙাক্লবা অমসুং অতোপ্পা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদা মশাগী শক্তি উৎনবা লানফম কয়া শোক্লখি। মায় পাকপা কয়ানি, মায়থীবসু য়াওখি। অচৌবা মায় পাকপা অমনি মৈদিংঙু পামহৈবা (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮) সনা হাক্তক্তা অৱাং ব্রহ্মাদেশকী চেগাইন কৌবা মফমদা লৈবা মমিং চৎলবা ঔৱাগী পেগোদাগী থোংগী মমাঙ থোংজাওদা মৈতৈ লান্মীনা ঔৱা জয় তৌরম্মী হায়না তুংগী মীরোলনা খঙহৌনবা থাঙগী থাঙফম থম্লম্বা। অমুকসু মৈত্রবাক্কী পুৱারীদা অচৌবা মায়থীবা অমনি চহী তরেৎ খুন্তাকপা খৃ: ১৮১৯দগী খৃ: ১৮২৫ ফাওবগী কাউঙমদ্রবা থৌদোক। মণিপুরগী নিংথৌ মার্জিৎনা হায়দোকখিবা য়ানখিবা ৱারোল ঙাক্তে হায়দুনা ঔৱাগী নিংথৌ বাগিদাউনা মহাক্কী লান্মীগী জেনরেল মহাবন্দুলা মণিপুরদা লান্দাহল্লক্তুনা মণিপুর সনা লৈবাক চখাইখিবদু। মৈতৈ কয়া শিঙম নাঙমদনা শিখিবা। কয়ামনা ঔৱা লৈবাক্তা লানফা ওইনা পুখিবা, কয়ামনা য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদা মথৱায় হিংনবা চেনখিবা পূম্নমক্তুগী ৱারীনা ঙসিসু চীনথাং য়ৈনা মৈতৈগী য়ূমথোঙ খুদিংদা ৱারীনরি।

পীকচরবসু নীংতম্না ঈজৎ লৈনা হিংজনীংবা মণিপুরীশিংনি/মৈতৈশিংনি। মদুনা মরম ওইরগনি মায়থীগনি খঙলবা মালেম পৃথিবীদা মপা লৈতনা মপাঙ্গল কল্লি, মখোয়গী এম্পায়রদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরিবা ইংরেজশিংগী মথক্তা লান লাউথোক্তুনা মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ কুলচন্দ্রনা ইংরেজশিংগা লান্থেংনখিবা। ঙসিগী ইন্দিয়ানা নেসন ষ্টেট অমা ওইদ্রিঙৈদা পীক্লবা মণিপুরনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মপান লৈবাক্কা মরুপ মপাং ওইবগী চুক্তিগী খূৎয়েক পীনখ্রে। তরামঙাশুবা চহী চাদা মৈতৈ নিংথৌ কিয়াম্বনা পোং নিংথৌ খেক খোম্বগা কিয়াং খমপাৎ নামিন্নদুনা লৈবাক অনীগী অফবা মরী থম্নখ্রে। পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা ইংলেন্দ, ফ্রান্স য়াওনা অতৈ নোংচুপ লৈবাকশিংগী লোইলম ওইরম্বা এসিয়া অমসুং অফ্রিকাগী লৈবাক কয়া মখোয়গী লোইলম মপুশিংদগী নীংতম্বা ফংখি। এলাইদ পৱারনা মখোয়না শোক্লরিবা লাঞ্জাও অসি মালেমসিগী দেমোক্রেসি কননবনি হায়বা ৱাফমদু থবক ওইনা পাঙথোকখি। মতমগী ওল্লকপা খোঙথাং অমসুং অহিংসা নীতিদা য়ূম্ফম ওইবা মহাত্মা গান্ধীগী নীংতম্নবগী খোঙজংনা মরু ওইবা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ানা খৃ: ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা নীংতম্বা ফংখিবনি।

নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী তুংগী পোরমদি ময়ায় ওইবা থাক্কী লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ফংলবশিংনা য়াৎলকই। মদুনা মরম ওইরগা মনিংতম্না লৈজনীংবা নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা মচাশিং থেম নৌদুনা নৎত্রগা কিহন্দুনা, পাম্বে অমা তৌদুনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন্দা পুনশিনখি। মদুগী শরুক অমা ওইননি মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখিবদু। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুর ইন্দিয়াদা পুল্লে হায়না ওফিসিএল্লি লাউথোকখ্রবগী মতুংদা মণিপুরগী মশাগী লৈজরম্বা পুৱারী, কলা সংস্কৃতিনচিংবা অমত্তা য়েংবীদনা য়াম্না হন্থবা থাক্তা পার্ট - সি ষ্টেটসতা থম্বীখি। খৃ: ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগীনা খৃ: ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১, শাংলবা চহী ২৩গী মতম মণিপুরবু পুরা নমশিন্দুনা থম্বগী মওংনি মীয়ামগী অকনবা ঈহৌগী মতুংইন্না মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মপূং ফাবা ষ্টেট অমা জন্যুৱারী ২১, ১৯৭২দা ফংখি। মীশি মীনা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাক্লবদতা পীরকপা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মচৎনি। নীংঙাই চাউবা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমদগী ওন্থোরকপা শেমখিবা কুইদ্রিবা নাগালেন্দনা মণিপুরদগী ষ্টেটহুদ ফংখিবা হাল্লি।

মণিপুরনা ষ্টেটহুদসু ফংদ্রিঙৈ চনৈনবা তাঙ্কক অমদা লৈরিঙৈদা থোকখিবা থৌদোক অমনি কুমজা ১৯৬৫কী ওগষ্ট ২৭কী চাক্লাম খোঙচৎ। এম কোইরেংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমনি। থৌদোক অদু মণিপুরগী পুৱারীদা মপূং ওইনা মহৈরোয়শিংগী ঈহৌশিংগী খোঙ্গুল লিক্লম থিরকপদা ময়েক লানা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈরম্বা থেংনগনি। মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই মরিনা চাক্লাম খোঙচৎতুগা মরী লৈননা থৱায় কৎখি। চাকখাউ হাঙলগা মহৈ তম্বা ওইথোক্লোই, পুক থন্না চারগা মহৈ তমগদবনি। মীয়ামগী চাকখাও লৈঙাক্লা থলহন্নবা লম্বী য়াৎপীগদবনি হায়বা মতমদুগী মহৈরোয়শিংগী খোল্লাউ মতম চূপ্পগী ওইনা মতম মতমগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংনা তাবীবগী খঙবীবগী মথৌ তারি।

ঙসিদি মণিপুরনা মপূং ফাবা রাজ্য অমা ওইবগী চহী ৫১ শুজিল্লক্লে। হংবা য়ারিবা ৱাহংদি মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইবগী মশক্তু মণিপুর ষ্টেটনা ওইরবরা হায়বসিনি। অতৈদা য়েংলুদ্রবসু অনা-লায়েংগী, এদ্যুকেসনগী, লম্বী থোংগী, থক্ল-চানবা ঈশিংগী হায়রিবা লম্শিং অসিদা য়েংবদা ঐখোয় অসুক্কী মতিক শোথরি। তম্পাক্কী লোয়ালমগী ইম্ফাল সহরগী মনুং চঙশিনবা মফমশিং অমসুং চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা তঙাইফদনা চঙলিবা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা হীরমশিং অসিগী খুদোংচাবা ফংবা য়াম্না ৱাৎলি। ইম্ফাল লৈকায়দা অৱাং অৱাংবা বিল্ডিংশিং উরগা, মখোঙ মরি পানবা গাড়ী অনৌ অনৌবা ময়াম উরগা মণিপুর চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। নুংঙাইবা খরনা পংনুংতা নুংঙাইবা, অৱাবশিংনা অদুম ৱাদুনতা লৈবা খুন্নাইনি। লৈঙাক্কী অচৌবা ফম্নাইবা তোলোপ চাওনা চাবশিংগা লায়রবা লৈঙাক্কী থবকসু লৈবা ঙমজদবা নোংমগী হাতে হাতে শুজরগা হিংজরিবশিংগা কৈথেলদি অমত্তনি। হিংননবা মীগা মীমান্ননা মচা মশুশিং শেম্নবা, মহৈ মশীন তমহন্নবা হোৎনবদা হাতে হাতে শু-নোম্লগা হিংজরিবশিংদদি অসুক্কী মতিক ৱারি। অনা লায়েংগী মতাংদসু অদুমঙাই চীংগী মনুং হঞ্জিনবা তম্পাক্কী অরাপ্পা মফমশিংদা অৱাৎপগী অৱাৎপা অদুমক লৈরি। লৈগদবা ডাক্তর মশীং, নর্স মশীং অমদি অতৈ মরী লৈনবা ষ্টাফশিং মশীং শুনা মতম চানা লায়েংশঙদা লৈতে, কাদে। খজিক্তং লুশিল্লকপা তাঞ্জা অমা লাকপদা ইম্ফাল তম্না পুখৎলক্লবা হোৎনবদা লম্বীদা খুদোংথীবা অদুমক নংনরি। অমুক লম্বী থোং অসুক্কী মতিক ষ্টেটসিগী অয়াম্বা মফমদা ফৎত্রি। লম্বী শেম্বীদবগী লম্বী তৌখায়রে, লম্বী থিংজিল্লে হায়বগী পাউ ঐখোয়না পাউচেশিংদা তৎতনা থেংনরি। অৱাবনি ইরমদম। শেন্থোক লম্বী ৱাৎচবশিংনা তমহঞ্জরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী তেক কায়রবা কিন্থরবা ফিভম কয়াগী ফোটো ঐখোয়না মহৈরোয় লূপশিংনা থিজিল্লুবগী রিপোর্ট কয়া পাউচেশিংদা উনরি। অৱাবনি থম্মোয় কায়নীংঙাইগী মশকনি। নহা ওইরিবা য়াম্না ইনর্জেটিক ওইবা ইনোভেটিভ আইদিয়া লৈবা নহা ওজাশিংনা লৈঙাক্কী স্কুলশিং ফনা ফজনা শেমগৎপা কয়াসু লৈতবা নত্তে। মখোয়বুসু প্রজাশিংনা পূক্নিং থৌগৎপীবা, মোরেল সপোর্ট তৌবীবা মথৌ তাই হায়নীংই। চহী ৫১ শুজিল্লকপগী মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংলকপগী পরিং অসিদা ঐখোয়না উরিবা তপ্না তপ্না মণিপুরী খুন্নাইগী য়াংলেন শরূ চাশিল্লক্লিবা মহিক অনীনি করপসন অমসুং দ্রগপু লান্না শীজিন্নবা অমসুং করবার তৌবগী থৌওং অনীসি।

শেঞ্জা থুমজা, ৱাচৎ ৱানোম ইশম শম্না করপসন্না য়াংলেন শরূ চাশিনখ্রবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইরে ঐখোয়গী মণিপুরী খুন্নাই। লীশাং শিংনা লমদমসিদা পাল্লক্লিবা লৈঙাকপশিংনা করপসন তৌদুনা অদুমক লাক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চাং হন্থনা তৌবা হায়বদুনা ৱাফম অমনি। করপসনগী চাং ৱাংলকপসিনা চাওখৎলক্লিবা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অমদদি লম্ খুদিংমক্তা চাওখৎ খোঙথাংদা তপথহল্লি, মঙম শালহন্দে। ঐখোয়না ইফোং ফোংনা অদুমক খঙনদুনা লাক্লি করিগুম্বা লৈঙাক্কী থবক অমত্তং কৌরকপদা মদু চঙননবা হোৎনবা কাঙবুনা মদুগী দিপার্টমেন্টতুগী মন্ত্রি কনানা ওইরি, মকোক থোংবা ফম্নাইবশিংনা কনা কনানো হায়না থিদোক্তুনা শেল পীনবা ৱাচৎ ৱানোম তৌনবা, শেল পীদ্রবদি ফনা মেরিট লৈরবসু খনবীরক্লোই হায়বগী মেন্টালিটি অমা প্রজাশিংদা লৈরি। মসি প্রজাশিংনা লীশাং শিংনা ফারকপা পড়াদুননি। ●

# অশেংবা কন্সটিট্যুসনগী মীৎয়েংদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব হায়বসি কনাবুনো? - (২)

- ডা. অরাম্বম বীরজিৎ -

মখা তানা ওনরেবল কোর্ট অসিনা জজমেন্ট পোইন্ট নং ৩৬তা পুৱারীগী থৌদোক খরসু অসুম্না পল্লি "... The injustice done to the tribal people of India is a shameful chapter in our country's history. The tribals were called "rakshas" (demons), 'asuras' and what not..." পোইন্ট অসিগী মনুংদা মখা তানা মহাভারতকী এক্লাবিয়াদা অরানবা ৱায়েলনা তুহৎপীখিবা অদুবু মতমদুদগী হৌনা ত্রাইবেলশিংবু তুহৎপীদুনা লাকখ্রবনি হায়না মীপূম খুদিংনা খঙনরবা খুদম অমা ওইনা পীরি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ অসিগী রুল্লিংগী মতুং ইন্নদি মৈতৈ অসি অদিবাসি নৎত্রগা ওরিজিনেল ইনহেবিটেন্ট ওফ ইন্দিয়া ওইনা য়াবগী ৱায়েৎ পীবা য়াবা অমত্তা লৈতে। অদুবু ঐখোয় মৈতৈনা ক্লেম তৌজরিবসিদি আই এল ও কনভেন্সন নম্বর ১৬৯গী মতুংইন্না ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মণিপুরনি হায়বনি। মসিদা য়েৎপা ঙমগদবা কনাসু লৈতে। সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইদ্রবদি ইন্দিজিনস পিপল ওইবা য়াদে হায়বসু লৈতে। ইন্দিজিনস পিপল খুদিংমক সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইগদবনি হায়বসু লৈতে। মিজোশিং ১৬শুবা চহী চাদা লাকপনি। সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবা হোৎনরিবা টাই অহোম ১৩শুবা চহী চাদা লাকপনি। অদুগা নাগাশিংসু অরিয়ানশিংদগী য়াম্না কোন্না লাকপনি।

তশেংনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব হায়বসিদি ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অরিয়ানশিংনা য়ুমহোং-লান্দাদা তাথী তাওইনা ওৎপী নৈবীখিবনা থাপনা উমং ৱামং, চীংমানদা নাথৈবিখ্রবা নৎত্রগা মশা কঞ্জনবা চেঞ্জখ্রবা মদুনা মরম ওইদুনা মীমান্নবা ঙমদ্রবা য়াম্না শোথহৌরবা চৎনলোনচৎ পুন্সি মহিং ওইরকখ্রবা ফুরুপ অদুবু মখোয়গী পুন্সি মহিং অদুবু খরদং ওইরবসু মাংলোমদা পুখৎনবা অমদি ঙাকপী শেনবীনবা হায়দুনা ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসন শেম্বীরম্বশিংনা কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিদা নিংথিনা খন্নদুনা নীংতম্লবা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন চৎনরবা ১৯৫০দা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কেটেগোরি অমগী প্রোভিজন থমখিবনি। হায়রিবশিং অসি সুপ্রিম কোর্টকী জন্যুৱারী ৫, ২০১১গী কাইলাস এন্দ অদর ভর্সেস ষ্টেট ওফ মহারাষ্ট্র জজমেন্ট অমসুং National Commission for Scheduled Tribes, New Delhi discussion on "Criteria for Inclusion/Exclusion of the Communities in the Presidential Order for Scheduled Tribes and other Tribal Issues" held on 23rd June 2017 at Lok Nayak Bhavan, New Delhi গী রিপোর্টতা নিংথিনা য়াওরি। লোকুর কম্মিটিনা পীরিবা পাদম মঙা অসিমকসু হায়রিবা মীৎয়েং অসিগী মনুংদা অশেংবা অচুম্বা কাঙলূপ ফুরুপ অদু খন্দোক্লবগী শেম্বা অখন্নবা পাদমনি। তশেংনসু এস টিগী প্রোভিজন অসি ত্রাইবেল ফুরুপশিং অসিদা মপূং ওইরিবা ফুরুপ অরিয়ানশিংনা পুৱারীগী খোঙচৎ অদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা লান্না তৌবিখিবশিং অদুগী অকক্লবা মতম খরগী শিংদোকমন ওইনা পীবা খুদোংচাবা অদুনি। অদুবু পোলিটিকেলাইজ তৌশিল্লকপনা পীরিবা মতম অমদি অচুম্বা কাঙলূপ ফুরুপ খন্দোক্লবা মরু ওইনা ঐখোয়গী চীংখৈলম অসিদদি পাদমচৈ অদু মরিন চৎথোক চৎশিন তৌরকপগী মমিদি তারি। চুম্নমক কন্সটিট্যুসনগী অশেংবা ত্রু স্পিরিটতা য়েংলবদি ত্রাইবেল অমা হেক্তা এস টি লিষ্টতা চনগদবা নত্তে। মৈতৈনা চুম্না তিংনা লেপ্পবা বাবুভাহন অমা নৎত্রগা অমা অদুমক মথৌ তারব্রা? হোয় অমরোমদা মৈতৈ ত্রাইবেলনি কন্না হায়রিবা কাঙবুনা করিগী অমর চিত্র কথা অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা পুথোকপা কোমিক্তা পাওনা ব্রজবাসিবু ত্রাইবেল ফ্রিদম ফাইটর ওইনা মশক তাক্লকপদা ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন মরিনা ৱায়েৎ পীরকপা মতমদা তুমিন্না লৈবনো।

হৌজিক মৈতৈ সেদ্যুল্ড কাষ্টশিংনা এসেমব্লি সিট অমা অমসুং চাদা ২ ষ্টেট রিজর্ভেসনগী খুদোংচাবা ফংলিবসি এস টি ওনবদা মাঙজগদৌরি অমদি চাদা ১৫ সেন্ট্রেল রিজর্ভেসন ৭.৫%দা হন্থগদৌরি। মসিদা মখোয়না হরাওনা য়ানীংগদরা হায়বসিসু ৱাহং অমনি। অমরোমদা কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক এস টি রিজর্ভ সিট ওইখ্রবা মতুংদা মৈতৈ পাঙলশিংগীদি মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াদবা ভোৎতমক থাদবা য়াবগী খুদোংথীবা মায়োক্লগদৌরি। মসিসু অনৌবা পোৎলূম অমনি। দেমোগ্রাফিক ইনবেলেন্সকীদমক এস টি ওনবা হায়বসি লৌশিৎতা খাজনা থিবা তারবসু য়ারি। তশেংনা দেমোগ্রাফিক ইমবেলেন্স কমদৌনা থোক্লিবনো, কমদৌনা থিংগনি হায়বসি মমুৎ তানা নৈনদনা ঐখোয়গা চুনৈ চুনদে য়েংদনা ইমোসনদা রেদিমেদ প্রোভিজন অমা হেক্তা লৌশিনবা চুমলোই। মসিনা হেন্না চীং-তম খক্তা নত্তনা তমগী মনুংদসু ক্রাইসিস ভোলুমমিনস ওইরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মতম মতমগী লাকপা চেলেঞ্জশিং পোলিটিকেল্লি থৌনা ফনা হৈশিংনা থেংনবা মথৌ তাই। মমাংথক্তা মৈতৈগী মণিপুরীশিংগী মায়োক্তা অকনবা চেলেঞ্জ কয়া চহী তরেৎ খুন্তাকপা, এঙলো মণিপুরী ৱারনচিংবা অৱাবা কয়া মায়োক্লখ্রবা ঐখোয়নি। তম্পাক লমদা হেনগৎলক্লিবা মীশিং অমদি খুনশিং অসি করম্বা মীওইনো এস টি ওনবনা থিংবা ঙম্ব্রা হান্না খঙদোকপা মথৌ তাই। অখঙ অহৈ কয়া তান্নদুনা মণিপুরীশিংবু প্রোটেক্সন পীবা ঙমগদবা মণিপুরগী পোলিটিক্সকা চুনবা লো অমা শেমদুনা পাস তৌখ্রবা প্রসিদেন্টগী এসেন্ট লৌগদবদা ঙাইরবা বিল ‘মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮’ অদুগীদমক কনা অমত্তা তাকশিন্নদে। মীদিয়া কাঙবুসু খূৎ থিন্দুনা তাকপা য়াবদু ইপং পংশিন্দুনা লৈবগুম উরি। ময়া য়াওবা আই এল পি, থবক ঙম্বা পোপ্যুলেসন কম্মিসন, এন আর সী, মণিপুর পিপলস বিলনচিংবশিং অসিগী মথক্তা ঐখোয় ইশা ইশানা ৱাখল তাবা নত্তনা ঐখোয়গী টেরিটোরি, সোসল সিক্যুরিটি, প্রোসপেরিটি, প্রাইদ অমদি দিগ্নিটি ঙাকপা ঙম্লোই। অদুম ওইনমক লম্বী লানবা লান্দবা ইরমদম ইজাতি অসিবু কন্নীংবা, চাওখৎহন্নীংবগী ৱাখল্লোন অসিবুদি থাগৎফমদি থোকই। ●

ষ্টেটকী পাউ

## সিক্যুরিটি কনমনবনা ইয়েং য়েংনখিদ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* য়াওদবনা ইয়েং য়েংনখিদ্রে।

অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদগী হৌরক্লগা জেল রোদ ফাওদুনা রাজ ভবন মমাঙদা লাক্লগা কন্টিনজেন্টশিংনা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙগী মনীংদা লৈবা ত্রাফিক আইলেন্দ ফাওদুনা লাকখি। অদুগা জি এম হোল মমাঙগী লম্বী পরিংদা চুমদ্রিং লাক্লগা খুয়াথোংগী ত্রাফিক আইলেন্দগী কোর্নরদগী নোর্থ এ ও সী তারক্লগা কংলাগী অৱাং থংবা সনথোঙদা চঙলক্লগা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা কংলা মনুংগী উত্রা মমাঙ ফাওদুনা লাক্লগা কংলাগী মখা থংবা সনথোঙদা থোরকখি। অদুগা ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিস মমাঙগী ত্রাফিক আইলেন্দ রোমদা লাক্লগা সেক্রেটেরিএট মমাঙগী লম্বীদা লাক্লগা অমুক হন্না লমথাফম ওইখিবা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা থুংখিবনি।

ঙসি অয়ূক পাঙথোকখিবা ফুল ড্রেস রিহার্সেলদা শরুক য়াখিবা অপূনবা কন্টিনজেন্টশিংগী মশীং ৭৩নি। অদুগা তোঙান তোঙানবা কলচরেল ত্রুপশিংগী কন্টিনজেন্টশিংনা ১৬নি। কন্টিনজেন্ট পূম্নমকপু অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দিং ওফিসর ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা লুচিংখি।

ফুল ড্রেস রিহার্সেল অসি তেক্তা-কায়দনা পাঙথোকখ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তগী মায়কৈদগী মীয়ামদা মাঙজৌননা খঙহনবা তৌদনা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরদুনা রিহার্সেল অসিগীদমক ইম্ফালগী মরু ওইবা মফমশিং শম্বল খাজিন্দুনা থিংজিনবা য়াওনা অথিংবা থমজিনখিবদগী মীয়ামগী মহৌশাগী চৎথোক-চৎশিনগী লম্বীদা য়াম্না চাওনা অকায়বা পীখি। অনা-অয়েক য়াওনা অথু-অকায়গী থবক ইনখাং চৎকদবা মীওইশিংদনা কা হেন্না অৱাবা মায়োক্লহনখি। মসিগী মথক্তা রিহার্সেল অসিগীদমক চঙথোক চঙশিন থিংজিন্দবা লম্বীশিং থি-থিদুনা মায়কৈ কয়াদগী হোৎচিন্নরকপনা পুং খরা চূপ্পা ত্রাফিক জাম থোকহনখি। রিহার্সেল অসিগীদমক ময়ায় লম্বী, টিদ্দিম লম্বীরোমদগী লাকপা য়াওনা ৱাহেংবম লৈকায়রোমদগী লাকপা গাড়ী মখল পূম্নমক কৈশাম্পাৎ থোং মচিনদা থৎলগা অমত্তা চঙহনখিদে। নম্বুল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান্দা লৈবা লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিংসু রাজ ভবনরোমদা চঙহনখিদে। অদুগা শীংজমৈ মায়কৈদগী লাকপা গাড়ী পূম্নমক্কা মোইরাংখোমদা থৎখি। কোনুং মমাঙগী ওইনা চেক্কোন, নোংমৈবুং অমসুং ৱাংখৈরোমদগী লাকপা গাড়ীশিং সঞ্জেনথোং লোমদা চঙহনখিদে। খুয়াথোংগী ওইনা থাংমৈবন্দ লোমদগী লাকপা অমসুং থাঙ্গাল বজারদগী থোরকপা গাড়ীশিং খুয়াথোংগী এল আই সীগী অৱাং থংবদা লৈবা ত্রাফিক আইলেন্দগী মনিং থংবা শরুক্তা থৎখি। নেসনল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীরোমদগী লাকপা গাড়ীশিং নোর্থ এ ও সীদা থৎলগা চঙহনখিদে। মিনুথোং হাট্টা অমসুং খুরাই টেলিপতিরোমদগী লাকপা গাড়ীশিংসু নোর্থ এ ও সী তম্না লাকহনখিদে।

পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবনা ঙসি পাঙথোকখিবা ফুল ড্রেস রিহার্সেলদা পামদবা থৌদোকশিং অমত্তা থোক্তনা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রবসু মহৌশাগুম্না রিহার্সেল অসিবু য়েংনবগীদমক মী ময়াম পূনখিবা অদুমক্তি ঙসিগী ওইনা ওইখিদে। খ্বাইদগী মীয়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবনা মাঙজৌননা মীয়ামদা খঙহন্দনা পুং খরা চূপ্না মরু ওইবা লম্বীশিং থিংজিনখিবনা চৎথোক চৎশিন্দা খুদোং চাহন্দবনা ওইখি।

মাঙজৌননা লৈঙাক্কী ওথোরিটি অমত্তগী মায়কৈদগী ঙসি ফুল্ ড্রেস রিহার্সেল পাঙথোক্লবগীদমক মরু ওইবা ইম্ফাল ময়োলগী লম্বীশিংদা অথিংবা থমগনি হায়বগী ৱাফম মাঙজৌননা খঙহনখিদবনা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী থবক থৌরমশিংদসু অকায়বা থোকহনখি।

ঙসিগী ওইনা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস য়াওনা অতৈ জজশিং কোর্টতা মতম চানা লাক্লখ্রবসু ঙসিগী ওইনা লৈখিবা তোঙান তোঙানবা বেঞ্চশিংদা লিষ্ট তৌবা কেসশিংগা মরী লৈনবা কাউন্সেলশিংদি খঙহৌদনা অয়ূক্তগী লম্বী থিংজিনখিবনা মাগী মাগী চেম্বরদা চৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবদা নত্তনা কোর্টতা লাকপদসু মতম চানা লাকপা ঙমখিদবদগী বেঞ্চশিংদা কেস মশীং য়াম্না লিষ্ট তৌখ্রবসু মখা তাবা ৱায়েলশিং চথবদা কাউন্সেলশিং শুনা লাক্লন্দবদগী অপনবা ওইখি।

ওইরিবা ফীভম অদুদা চীফ জষ্টিসকী মায়কৈদগী ঙসিগী ওইনা কোর্টকী প্রোসিদিংশিং অয়ূক পুং ১১দগী হৌগনি হায়দুনা চোন্থনা লেপখ্রবসু লিষ্ট তৌরিবা কেসশিংগা হকথেংননা মরী লৈনবা কাউন্সেলশিং মতম চানা চেম্বরদা চৎতুনা কেসশিং খন্দোক খঞ্জিন তৌবা ঙমহৌদবা অমসুং কোর্টতা মতম চানা য়ৌরকপা ঙমখিদবদগী কেস অয়াম্বগী প্রোসিদিং চথবদা অপনবা ওইবদগী চথদবা য়াওখি হায়রি।

## বি জে পি এক্স সর্ভিসমেন সেলগী কনভিনর...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই য়াওনা মহাক্কা লাকমিন্নখিবা গাড়ী থৌরকখিবা মীওই অদুগী খোঙ্গুল লীরকখি। পুলিসনা থুনা য়াঙনা চথুরকখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা গাড়ী অদুবু থৌরকখিবা মীওই অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈনৌ থোংথক মনীং লৈকায়দগী হৌজিক্লা হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দা লৈবা নাওরেম রিকি পোন্টিং এলিয়জ অমু (২৪) কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয় অনীনা শীজিন্নরকখিবা গাড়ী অদুসু রিকোভর তৌবা ঙমখি হায়রি।

ফাগৎলবা গাড়ী ড্রাইভরদা অহানবা চথুখিবা ৱাহং পাউহংদা মহাক্কা লাকমিন্নখিবা অমসুং লাইশ্রম রামেশ্বরদা নোংমৈনা কাপ্পমখিবা মীওই অদু হাওবম মরক ইরোম লৈকায়দগী অয়েকপম কেশোরজিৎ (৪৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কুঞ্জো কৌবা মীওই অমনি হায়বা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মহাকপুসু মহাক্লা শীজিন্নখিবা নোংমৈগা কোন্ননা ফাগৎনবা থবক লৌখৎখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট জে াগেসচন্দ্র হাওবিজমনা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসতগী হৌরদুনা ড্রাইভর অমসুং গাড়ী ফাগৎপগী ৱাফম পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। থৌদোক থোকফমদগী পোইন্ট ৩২গী এমটি কেস অমসু রিকোভর তৌখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবদগী ফাবা ফংদ্রিবা অয়েকপম কেশোরজিৎ মশামক্লা অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংনা মহাকপু অথুবা মতমদা পুলিসতা কেস অসিগা মরী লৈননা সরেন্দর তৌরক্ল বা এস পিনা পাউমীশিংগী খূৎথাংদা ফোঙদোকখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিনা পাউগী মীফম অসি পাঙথোকখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা ফাবা ফংদ্রিবা এ কেশোরজিৎকী লোয়নবীবু পুলিসনা কেস অসিগা মরী লৈননা ময়ূমদগী লৌখৎখি হায়রি। মসিদগী পন্থদনা এ কেশোরজিৎ মশামক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো য়ুনিটকী রগাইলোংদা লৈবা কমপ্লেক্সতা মখোঙনা থোংনা লাক্তুনা সরেন্দর তৌরখিবনি হায়রি।

মহাক্লা চঙজরকপা মতমদা লাইসেন্স গন পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল ১, নোংমৈসিগী মেগজিন ২ অমসুং কাপ্পা য়ারিবা মরূ ৯ লোয়নরকখি হায়রি। লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগীসু মহাক্লা শীজিন্নরম্বা মোবাইল হেন্দসেট (সেমসুং এ ৭০) অমসু সিজ তৌখি হায়রি।

থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা মসিগী মায়োক্তা ঙসি নুংথিল কে আর সী, ৱাই ভি এ, ৱাই এ য়ু অমসুং এস ঈ সী দি ওনা কে দি দল্লিয়ু এগী মৈরা পায়বীশিংগা পূন্না খূৎশম্নদুনা ৱাকৎ মীফম ফমখি।

ৱাকৎ মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা য়ূম্লক্তা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎপা য়ানীংদে, ঐখোয় ঈংনা-চিক্লা লৈবা পাম্মী, রামেশ্বরগী মরাল করিনো, মীহাৎপদা চেন্নবশিং ফাদুনা চৈরাক পীয়ু হায়না ইবা প্লেকার্দশিং পায়খিবগা লোয়ননা ইরিবা ৱাহৈশিং অসিসু খোল্লাউ ওইনা লাউদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

ঙসিগী থৌদোক অমসুং ৱাকৎ মীফমগা মরী লৈননা কে দি দল্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট খুমন্থেম সুমোনা ফোঙদোকখিবদা অয়ূক্কী মতমদা য়ূম্লক্তা চঙলক্লগা নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপা হায়বসি য়ানীংদে। পুলিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই অমা ফাগৎলে হায়বা তাবদা য়াম্না নুংঙাই অদুবু অশেংবা মীহাৎপা অদুসু অথুবা মতমদা পুথোক্তুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু হায়খি। লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা অচৌবা থৌদাং লৌবীদুনা মীহাৎপা অদুবুসু পুথোকপদা মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা পুং ২৪গী মনুংদা মীহাৎপশিং ফাগৎতুনা মীয়াম মাঙদা পুথোকউ, মীহাৎপশিং পুথোক্ত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌদবা অমদি মীহাৎপশিং পুথোকপা ঙমদ্রবদি ক্লবশিং অমসুং মৈরা পায়বী অমদি লাই কম্মিটিনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবগী ৱারেপ অহুমসু লৌরে হায়খি।

অমরোমদা, লৈখিদ্রবগী লোয়নবী লাইশ্রম ওংবী নিরমলা অমসুং লৈখিদ্রবগী অপোকপী মমা লাইশ্রম ওংবী সখিনসু মীহাৎপা পুথোকপীয়ু, রামেশ্বরগী মরাল করিনো হায়না পেন্দবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

ঙসি নুমিদাং অথেংবদা ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি লৈখিদ্রবগী মফমদা বি জে পিগী মায়কৈদগী অরোইবা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মহাক্কী হকচাং জে নিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম এগজ ামিনেসন তৌরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা লৌখ্রে হায়রি।

ঙসি থোকখিবা মীশি মীনাগী থৌদোক অসিগী মতাংদা ওফিসল ওইনা কনফার্ম তৌদ্রিবা পাউ অমনা হায়বদা এ কেশোরজিৎনা লাইশ্রম রামেশ্বরবু নোংমৈনা কাপত্রিঙৈগী মাঙওইননা মখোয় অনীগী মরক্তা আর টি আই এপ্লিকেসন অমগা মরী লৈননা অকনবা ৱাহৈ খোন্দাদা চিন্দা পৌদানখিবা লৈখি হায়রি। অদুম ওইনমক হায়রিবা থৌদোক অসিগী মতাংদদি চপ চাবা পাউ ফংবা ঙমখিদ্রি।

## মণিপুর পোপি ...

*লামায় ১গী মখা...*রোয় লাইব্রেরি ফাউন্দেসন, কোলকটাগা পূন্না খূৎশম্নদুনা চথুরকখিবা বুক ফ্যের অসিগী থৌরম মপু ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম জয়না ফোঙদোকখিবদা অঙাংশিংদা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহনবা হায়বসিগী থৌদাং ওজাশিং অমদি মমা মপানা লৌগদবনি। অঙাংশিংনা বুক ফ্যেরগী মতমদা লাইরিক লৈনীংলগা শেল লৈতবদগী লাকপা ঙমদবা কয়াসু লৈরমগনি। মরু ওইনা ওজাশিং অমসুং কোলেজগী ওজাশিংনা বুক ফ্যেরদা লাক্লগা অফবা লাইরিক লৈবীদুনা থমজিনবীরগা মহৈরোয়শিংবু পাহনবীয়ু হায়খি।

লাইরিক হায়বসি মীওইবগী লৌশিং পুক্কেনি। লাইরিক লৈদনা লাইব্রেরিগী ঈহৌ শাগৎপা য়াদে। ইনফোর্মেসন অমসুং লৌশিংগী পুক্কে লনগৈ ওইরিবা লাইরিক মরাং কায়না থমগদবনি। বুক ফ্যের অসিদা লাইরিক্কী মমল চাদা ১৫ তাদুনা ফাওবা ফংহল্লিবনি হায়খি।

লোইশিনবগী থৌরমদা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখিবা ত্রাওগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ফুলেননা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক্কী মতমদা লাইব্রেরিগী খুদোল হায়বসিদগী খরা লাপথোরক্লে। ফিভম অসি দিজিটেল ৱর্ল্ড ওইরকপদগীনি অদুবু কম্প্যুটর অমদি মোবাইলদা শাংনা পাবদি য়াদবনা অমসুং নুংঙাইতবনা নমথোক্লগা পানরি। বুক ফ্যেরদা লাইরিক লৈবগী চাং খরা হন্থরগসু করম্না লাক্লগা লাইরিক পাগদগে হায়বরোমদা চঙশিনবা চুমগনি। ক্লাস নাইন অমসুং টেন তম্লিবা অঙাংশিংনা চথোক্লগা লাইরিক পাবা ঙম্নদ্রে। মরমদি ট্যুসন চৎপননি হায়রদুনা ঐখোয়গী মতমদা অশোনবা সবজেক্ট অমা অনী খক্তমক ট্যুসন তম্বনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উরমিলানা চথুরকখিবা বুক ফ্যেরগী রিপোর্টশিং মীয়ামদা পাউদমখি। লোয়ননা বুক ফ্যের অসিগী অরোইবা নুমিৎকী থৌরমদা বুক ফ্যেরদা শরুক য়াখিবা ষ্টোলশিংগী মনুংদগী বেষ্ট ষ্টোল বুক এন্দ কোফিনা খ্বাইদগী ফবা ষ্টোল ওইখিবগীদমক মনা পীখি। অদুগা নুমিৎ ১০নি চূপ্পা চথুরকখিবা বুক ফ্যের অসিগী মনুংদা পাঙথোকখিবা অঙাংশিংগী তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিশিংগী পেন্টিং অমসুং ক্যুইজ কম্পিটিসনগী মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদসু মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।